**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-09.2024)**

**ওজা (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংনা ঙসি ওজাগী নুমিৎ পাঙথোক্লি।

ভারতকী হান্নগী রাস্ত্রপতি-ডা: শর্বাপল্লি রাধাকৃষ্ণনগী মপোক নুমিৎ অসিবু ওজাগী নুমিৎ হায়না লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী ওইনা কুমশিগী ওইনা জাতি থাক্কী মনা ফংলবা ওজা ৮২ দা নেসনেল টিচরস এৱার্ড ২০২৪ গী মনা পীখ্রে। কুমশি চহিগী ওইনা জাতি থাক্কী মনা ফংলবা ওজাশিংগী মনুংদা মণিপুরগী ওইনা শগোলবন্দ রিসি খুল অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী ওজা নন্দিতা চোংথাম য়াওরি। মনা অসি ন্যু দিল্লিগী বিগ্যান ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা খুৎশিন্নখি।

মণিপুরদসু রাজ্যগী শিক্ষা বিভাগনা শিন্দুনা ওজাগী নুমিৎ পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখি। হান্নগী রাষ্ট্রপতি ডাঃ এস. রাধাকৃষ্ণনগী মফমদা মৈরা অমসুং লৈ  কৎতুনা থৌরম অদু হৌদোকখি।

রাজ্য অসিগী খনগৎলবা ওজাশিংদা ইজ্কেসন (এস) কী ষ্টেট টিচরস এৱার্দ য়েন্থোকপা, বোসেম অমসুং কোসেমনা লৌবা পরিক্ষাদা চাউনা মায় পাক্লক্লবা স্কুলশিংগী হেদ মাষ্টর অমসুং প্রিন্সিপালশিংদা এপ্রিসিয়েসন সার্তিফিকেটশিং য়েন্োকপা, সবজেক্ট সবজেক্টকী ওজাশিংদা এপ্রিসিয়েসন সার্তিফিকেট পীবনা থৌরম অসিগী থোইদোকপা শক্তম ওইখি।

থৌরম অদুদা ইজ্কেসন (য়ু) গী চীফ মিনিষ্টরস এৱার্দ ফোর ইজ্কেসনেল এক্সেলেন্স ২০২৪ হৌদোকখি অমসুং মসিগী মখাদা কলেজ ৮ দা এৱার্দ পীখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যগী শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমার সিংহ হায়-ওজাশিংনা মহৈরোইশিংগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা অচেৎপা ফিরেপ

লৌদুনা হোৎনমীন্নসি। মহাকা হায়-ওজাশিংনা চাদা ৮০ দগী ১০০ ফাওবগী চাংদা অচেৎপা ফিরেপ লৌদুনা মহৈরোইশিংবু মহৈ তন্বীরবদি রাজ্য অসিদা শিক্ষাগী লমদা খুমাং য়াংনা চংশিনবা ঙমগনি। হান্নদগীসু ওজাশিংনা হোৎনবদগী শিক্ষাগী হীরম কয়াদা মায় পাকপা কয়া লৈখ্রে। মখা তানসু ওজাশিংনা অচেৎপা ফিরেপ লৌদুনা মহৈরোইশিংগীদমক হোৎনবীয়ু। সরকারগী মায়কৈদগীসু ওজাশিংগীদমক হোৎনবা য়াবা হোৎনগনি।

থৌরমদুদা ইজ্‌কেসন কন্মিসনার-ঐচ. গ্যানপ্রকাশ, ইদুকেসন (য়ু) গী দাইরেক্তর ডাঃ রঙ্গিতাবলি ৰাইখোম অমসুং ইজ্‌কেসন (এস) কী দাইরেক্তর এল. নন্দকুমর সিংহ অমদি মকোক থোংবা ওফিসিয়েল অমসুং ওজাশিং কয়া শরুক য়াখি।

ওজাগী নুমিৎ থৌরম থৌবাল জিলাদসু পাঙথোকখি। থৌরম অদু জিলা অসিগী মণিহার স্কুল স্পিসিএল এদুকেসন ফোর পার্সন ৱিট দিসএবিলিতিনা শিনদুনা স্কুল অসিগী কেম্পসতা পাঙথোকখিবনি।

রাজ্য অসিদসু পুন্না ওজা তরুক্তা ষ্টেট টিচর এৱার্ড পীখ্রে। মনা ফংলবা ওজাশিং অদুদি-অথোকপম জ্‌নিয়র হাইস্কুলগী লিশম রোমা দেবী, চঙাঙ্গৈ জ্‌নিয়র হাইস্কুলগী সি.ঐচ. দমায়েন্তি দেবী, নিংথৌখোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অকোইজম সুন্দরি দেবী, মাও মরাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী রিজিও অদাহে, মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রন্সিপাল পি. নিপেন্দ্রো সিংহ অমসুং ইরং পার্ট-টু গভর্নমেন্ট হাইস্কুলগী বিনোদ কুমার শর্ম্মনি।

**লন্বী (এল)ঃ** ইন্ফাল-দিমাপুর লন্বীগী কাংপোকপী মনাক্কী দাইলি অমসুং য়াইকোংপাউগী মরক্তা চিং নিংখায়দুনা লন্বী চৎপা য়াদনা লৈরন্বা অদু শেংদোকখিবদগী চৎথোক চৎশিন য়ারে। মফম অদুদা পন্দুনা লৈরন্বা গাড়িশিং চৎনবা হৌখ্রে।

**সিপিআই (এল)ঃ** মনিপুরদা লৈরিবা ইরাং অসি অথুবা মতমদা লোয়শিল্লু হায়বা দাবী তৌদুনা সি.পি.আই. মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা শিনদুনা ইম্ফালগী ইরাবত ভবনদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

মীফম অদুদা সি.পি.আই.মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী এসিষ্টটেন্ট সেক্রেটরি-এম. জয়কুমারনা হায়-রাজ্য অসিদা লৈরিবা ইরাং অসি কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা চপ চাবা মীৎয়েং চংদুনা অথুবদা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবিয়ু। হৌজিক রাজ্য অসিদা থোক্লিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসি লোয়শিন্নবা রাজ্য সরকারনা বিধান সভাগী অখন্নবা মীফম পাঙথোক্তুনা চপ চাবা ৱারেপ লৌননবা তকশিল্লি।

মহাকা হায়-মনিপুরগী ইরাং অসি লোয়শিন্নবগীদমক কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমসুং মপান থৌরম মন্ত্রিদা তকশিন্নবা সি.পি.আইগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি-দি. রাজাদা অইবা চেরোল অমা থাদুনা খঙহনখ্রে।

**ককচিং (এল)ঃ** কুকি মিলিটেন্টশিংনা ড্রোন এটেক তৌরকপদা মীশি মীনা থোক্লবা ফাওবদা মনিপুর অমদি ভারত সরকারনা তুমিন্না লৈশিল্লি হায়না য়ানিংদবা ফোংদুনা ঙসি ককচিং বজারদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদু ওল খা কংলৈ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন-ককচিং দিষ্ট্রিক্টনা শিনবনি।

**প্লান্টেসন (এল)ঃ** দুরদর্সন কেন্দ্র ইম্ফালগী কমপ্লেক্সতা ঙসি পাক শন্না উ থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

এক পের মা কে নাম থৌরমগী মখাদা দুরদর্সন কেন্দ্র ইম্ফাল অমসুং রাজ্যগী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্ট অনুরাগ ভাজপায় অমসুং দুরদর্সন কেন্দ্র ইম্ফালগী হেদ ওফ ওফিস এন. নন্দকুমার সিংহ অমসুং ফোরেষ্ট অমদি দুরদর্সনগী ওফিসারশিং অমসুং ষ্টাফশিং শরুক য়াখি।

**অগুই (এল)ঃ** নোনে জিলাদা নৌনা শাবা কম্মন ফেসিলিটি সেন্টর অমদি দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলগী ওফিস ঙসি হিলস এরিয়া কমিতিগী চেয়ারমেন-দিংগাংলুং গাংমৈনা শঙ্গাখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মনিপুর সরকারগী হেন্দলুমস এন্দ টেক্সতাইলগী দাইরেক্তর-লামলী কামৈনা হায়-কম্মন ফেসিলিতি সেন্টর অসিনা নাৎকী ওইবা ফিরোলশিং শাবদা খঙদবা য়াওরকপশিংদা খঙহন্নবগী খুদোংচাবা পীগনি। মসিগী মথক্তা ফি শাবদা চংবা পোৎলমশিংসু পীগনি।

নৌনা শাবা কম্মন ফেসিলিটি সেন্টর অমদি দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলগী ওফিস অসিনা মীয়ামদা পীগদৌরিবা কান্নবশিং অমদি মসিগী মরুওইবশিং পল্লদুনা ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা হায়--

থৌরম অদুদা নোনে জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডাঃ সরথচন্দ্র আরোজ, ওফিসিএলশিং অমদি মীয়াম শরুক য়াখি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে টু জিরো টুগী য়াহঙংপোকপীদগী ফিন্দস কোনর ফাওবগী লম্বী অসি এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলনা ইং ২০২৫ গী মে থা ফাওবদা লোয়শিল্লগনি হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী-সোথিং সিমরেনা হায়-লম্বী অসি লোয়শিল্লগনি হায়বগী থাজবা অসি উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাগী সি.এস.ওশিং, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিং, উখ্রুলগী এম.এল.এ. রাম মুইভা অমদি এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী মীহুৎ কাংবু অমগা পুন্না সর্ভে তৌরবা মতুংদা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী জেনরেল মেনেজ-অজয় কুমারনা থাজবা অসি পীখিবনি।

**ডে(এল)ঃ** সাইন্স টিচরস ফোরম মনিপুরগী ৪৯ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ইম্ফাল ৱেষ্টকী তেরা বজারদা লৈবা মোদেল হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখিবনি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা লৈশাংথেম খোং মনুংদা ইগজিকিটিব ইঞ্জিনিয়ার পাব্লিক হেলথ দিপার্টমেন্ট অমদি য়ঙ এসোসিয়েসন ক্লব-লৈশাংথেমগী ভোলুন্টিয়ারশিংগা খুৎশমদুনা ঙসি ঈশিং ঈচাওনা থুমজিল্লবা ক্লব অসিনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা য়ুমশিংগী অকোইবদা সুনু অমসুং ব্লেসিং পাউদর চাইথোকখ্রে।

**কুমওন (এল)ঃ** শকাইরবা লৈখিদ্রবা ঠিয়েটর পার্সোনেলিটি-সনখ্যা ইবোতোম্বী হাওরোকচমগী মপোক নুমিৎ ওজাগী নুমিৎকা মরী লৈননা মনিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিল অমদি মহৈরোইশিংনা মহাকপু নীংশিংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সেনিয়ার ঠিয়েটর আর্টিষ্ট-ক্ষেত্রিময়ুম লন্ধোনি দেবীদা শ্রী সনখ্যা ইবোতোম্বী হাওরোকচম নীংশিং মনা-২০২৪ সু পীখি।

থৌরম অদুদা হান্নগী মন্ত্রি-ডা: মোইরাংথেম নরানা অথোইবা মীথুং ওইখি। গুরু সনখ্যা ইবোতোম্বী নীংশিং লুপকী প্রসিদেন্ট-নোংমৈকাপ্পম রোমেস অমদি মনিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট-লাইশ্রম তোম্বনচিংবা শক াইরবা মীওইশিং শরুক য়াখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস-থৌবালনা শিনদুনা জিলা থাক্কী য়ুথ ফেষ্টিবেল ২০২৪ থা অসিগী ২০ দগীনা ২২ ফাওবা জিলা অসিগী হাওতাবী লম্পাক ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা মল্টি পরপজ ইন্দোর হোলদা পাঙথোক্লগনি।

ফেষ্টিবেল অসিদা চহি ১৫ দগীনা ২৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। থা অসিগী ১৮ ফাওবদা শরুক য়াগদবশিংনা ফোর্ম পীশিল্লক্কদবনি। অকুপ্পা মরোল ওফিস অসিদগী খঙবা য়াগনি।

**অসামঃ** অসামগী য়েলহৌমীশিংগী লম, লোল অমসুং সংস্কৃত্তি ঙাক শেনদুনা থম বা অসাম একোর্ডকী তরুকশুবা ক্লোজগী মতাংদা জষ্টিস-বিপ্লব শর্ম্মা কমিতিনা পীবা রিকমেন্দেসনগী চাদা ৮০ থবক্তা ওন্থোকবা অসামগী মন্ত্রি-মন্দলনা ৱারেপ লৌরে।

মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্তা বিশ্ব শর্ম্মানা হায়-কমিতি অদুগী রিকমেন্দেসন ৬৭ কী মনুংদা ৫৭ মথং চহিগী এপ্রিল ১৫ ফাওবদা থবক্তা ওন্থোল্লগনি।

**মোদিঃ** ভারত অমসুং সিঙ্গাপুরনা লৈবাক অনিনা হকশেল, হিদাক লাংথক, শিক্ষা অমসুং স্কিল দিবলপমেন্ট অমদি দিজিটেল টেকোলোজিগী লমদা তোঙান তোঙানবা এম.ও.য়ু. মরি সহি তৌনখ্রে। লৈবাক অনিনা পুন্না থবক তৌমীন্নবগী চাংসু হান্নদগী হেনগৎহন্নবা য়ান্নখ্রে। এম.ও.য়ু, সহি তৌনখিবা অসিনা ভারতকী এক ইষ্ট পোলিসিদা চাউনা মতেং ওইরগনি হায়না প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোক্লি।

শী মোদিনা হায়-সিঙ্গাপুর অসি মরুপ-মপাং ওইবা লৈবাক খক নত্তনা মালেমগী চাউখৎলক্লিবা লৈবাক কয়াদা ইথিল পীবা ঙম্বা লৈবাক অমসুনি। সিঙ্গাপুরদা হৌজিক ভারত মচা লাখ অহুম লিশিং ৫০ রোম লৈরি। মসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা অফবা মরী থম্বদা চাউনা মতেং ওইরি। মহাকা হায়-ভারতকী অহানবা তিরুবালুবা কলচরেল সেন্টর অমা সিঙ্গাপুরদা হাংদোক্লগনি।

তুংদা, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং সিঙ্গাপুরগী প্রধান মন্ত্রি-লোরেন্স ৱোংনা সিঙ্গাপুরগী মকোক থোংবা কম্পানি অমা ওইরিবা সেমি কন্দক্টর এন্দ ইলেক্ট্রোনিক সেক্তর, এ.ই.এম. হোর্দিং লিমিটেদতসু চৎখি।

**পিএম** ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা অহানবা ইন্টরনেসনেল সোল্লর ফেষ্টিবেলদা ভরচুয়েল ওইনা ৱা ঙাংবদা হায়-ভারতকী সোল্লর ইনর্জিগী চাং অসি হৌখিবা চহি তরা অসিদা শরুক ৩২ হেনগৎলে।

খোঙজেল অসিদা চংশিল্লবদি ইং কুমজা ২০৩০ ফাওবদা গিগাৱাট ৫০০ ফাওবা য়ৌবা ঙম্লগনি।

শ্রী মোদিনা হায়-হৌখিবা চহি খরা অসিদা ভারতনা গ্রীন ইনজিগী লমদা খুমাং চাউশিনবা ঙমলে অমদি রিন্যুএবল ইনজিগী পেরিস কমিটমেন্ট অদু ফংবা অহানবা জি-টোইন্তিগী লৈবাক ওইরি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ইং ২০১৫ দা লিংখৎখিবা ইন্টরনেসনেল সোল্লর এল্লাইয়েন্স অসি অতেনবা মতমদা লৈবাক ১০০ রোমনা মেম্বর ওইরে।

**ফ্লেগসিপঃ** কেন্দ্র সরকারগী ফ্লেগসিপ স্কিম-স্বাস ভারত মীসননা লৈবাক অসিদা পোকপা কুইদ্রিবা অঙাংশিং শিবগী চাং হন্থহনবদা চাউনা মতেং ওইরে। মীসন অসিনা ভারত্তা অওনবা পুরকপদসু মতেং ওইরে হায়না হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টতা হায়রি।

রিপোর্ট অসি টোইলেট কন্সত্রক্সন হায়না মিংথোনবা ষ্টদি অমদা যুম্ফম ওইবা স্বাস ভারত মীসন অমদি ইনফেন্ট মোর্টেলিতি ইন ইন্দিয়ানা ফোংবা রিছার্স জর্নেল অমগী মতুং ইন্ননি।

ষ্টদি অসি সোসিএল মিদিয়াদা সিয়ার তৌরদুনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-যুমথোং খুদিংদা অফবা টোইলেটকী খুদোংচাবগা লোয়ননা লুবা-নান্না শিজিন্নবনা অপিকপা অঙাংশিং শিবগী চাং হন্থহনবদা মতেং ওইরি। মহাকা হায়-লু নানবা অসিনা হকশেলগী লমদা অফবা মায়কৈরোমদা পুরকপা ঙম্মী।

**জেকেঃ** জম্মু কাস্মির বিধান সভা মীখলগী ৩ শুবা তাংকক্কী নোটিফিকেসনসু ঙসি থোকখ্রে। তাংকক অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ৪০ দা ওক্টোবর ১ দা ভোট থাদনগনি। সেপ্তেম্বর ১২ ফাওবা মীরেপ চে পীশিনবা য়াগনি। মথং নুমিৎতা স্ক্রুতিনি তৌগনি। মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ সেপ্তেম্বর ১৭ তনি।

জম্মু কাশ্মীর বিধান সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী মীরেপ চে পীশিনবা

ঙসি লোয়খ্রে। তাঙ্কক অসিদা সেপ্তেম্বর ২৫ দা বিধান সভা কেন্দ্র ২৬ তা ভোৎ থাদনগনি।

**হরিয়ানা**ঃ হরিয়ানা বিধান সভা মীখলগী নোতিফিকেসন ঙসি থোকখ্রে । মীরেপচে থা অসিগী ১২ ফাওবা পীশিনবা য়াগনি । মথংগী নুমিৎতা স্ক্রুতিনি পাঙথোক্কনি। সেপ্তেম্বর ১৬ তা মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনি। সিট ৯০ লৈবা রাজ্য অসিদা ওক্টোবর ৫ দা ভোট থাদনগনি। ওক্তোবর ৮ দা ভোৎ মশিং থীগনি।

**সেন্তর**ঃ মেদিকেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা ডাক্তর অমদি হেলথ কেয়ার ৱার্করশিং অশোই অঙাম থোকহন্দনবা অমসুং সেক্যুরিতি লৈহন্নবা করি থবক লৌখৎলবগে হায়বদু সেপ্তেম্বর ১০ ফাওবদা খঙহল্লকবা কেন্দ্রনা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি পুমমক্তা খঙহনখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা কেন্দ্রগী হেলথ সেক্রেটরি অপুরবা চন্দ্রনা চীফ সেক্রেটরি অমসুং দাইরেক্তর জেনেরেল ওফ পুলিস পুমমক্তা চে ইখ্রে।

**গ্লোবেলঃ** তেলঙ্গানাগী হায়দ্রবাদতা নুমিৎ নিনিগী গ্লোবেল আর্টিফিসিএল ইন্টলিজেন্স সমিট ২০২৪ ঙসিদগী হৌরগনি।

মীফম অসি মুখ্য মন্ত্রি-রেবানাথ রেদিনা ঙসি হায়দ্রবাদকী ইন্টরনেসনেল কনভেন্সন সেন্টরদা হৌদোক্কনি।